# ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI

Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 287 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৪ | ইম্ফাল, শজিবুগী ২৩ নি পানবা, ইরাই, এপ্রিল ১০,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।–


# চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ কাংপোকপী ফাওরগা সেনাপতিদা চৎলুরে

## সি এমনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী হেনবুংদা লৈবা হাওখোলেট কিপগেনগী য়ূমদা চঙদুনা অৱা–নুংঙাই ৱারী শান্নখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** অকিবা মীনা নেস্লেল হায়ৱে–টদা চৎচদবনি, কিদবা মীদি অদুম চৎলি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা হায়খিবা ৱাফম অদুবু করেম–কথায়নবীখিবা মীয়াম অমগী মমাঙদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা কাংপোকপী ফাওরগা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা চৎখ্রে।

চহী ২গা থা ১০ রোমগী তুংদা মৈতৈগা কুকি–জোশিংগগী মরক্তা লৈনরম্বা থাজনদবদু খরমখৈ হঞ্জিল্লে হায়বা উৎপা ওইনা মহাক্কী হল্লকপগী খোঙচৎতা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী হেনবুংদা লৈবা এম এল এ হাওখোলেট কিপগেনগী য়ূমদা চঙদুনা চীফ মিনিষ্টরগা এম এল এ অসিগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা পূন্না উন্নদুনা অৱা–নুংঙাই ৱারী শান্নমিন্নখ্রে।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসন নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন(এন পি ও), সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন এসোসিয়েসন অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা পূন্না শীন্দুনা ৱাই খেমচান্দ ওকপগী থৌরম অমা য়াওননবা চীফ মিনিষ্টর ঙসি অয়ূক ইম্ফালদগী নেস্লেল হায়ৱে–টুদা খোঙশানখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা থাঙ্গা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়ারিবা পাউচে অসিগী পাউমীনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না, ইম্ফালদগী সেনাপতি ফাওবা চৎপগী খোঙচৎ অসিদা কনামত্তনা অয়েৎপা–অপনবা অমত্তা পীরকখিদে। কাংপোকপীদসু মীয়ামনা তৌগদবা মথৌ অদুম তৌনবা উই। লন্মীদসু মী অদুম চংনবা উই। মহৌশাগী মহৌশাদৌনা অদুম তৌই। অদুমকপু ভি ভি আই পি অমা চৎপনিনা সেক্যুরিতিশিংদি মরাং কায়না চাইথোক্লগা লৈবা উখি।

চীফ মিনিষ্টরনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরস য়ৌশিল্লকপদা নাগাগী নহা কয়ানা হরাও তয়াম্না ওকখি। মল্টিপর্পজ হোলদা চঙলকপদসু মীয়াম্না বুকে, লেংয়ানফি অমসুং নাৎকী ওইবা ফিজেৎ লৈতেংশিং থোনবীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। মফম অদুদা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখো, কারোং এসিগী এম এল এ কোমোসাসু চীফ মিনিষ্টরবু




তরাম্না ওকপদা শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরবু ওকপগী থৌরম অদুদা মহাক্না হায়খি, মহাক্কী লৈঙাক অসি থা ২ থা নুমিৎ ৬ নি খক্তমক ঙাইহি। মীয়ামগী তেংবাংগা লোয়ননা মহাক্কী টিমনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইং তপ্পা পুরক্নবা হোৎনরগা লাকখি। ময়ামনসু মপুং ওইবা থৌদাং লৌবীদুনা অমগা অমগা তপ্না তপ্না ৱারী ৱাতাই শান্নবদগী অয়েৎপা অপনবা অমত্তা য়াওদনা মফমসিদা লাকচবা ফংবনি।

মহাক্না হায়খি, মণিপুর হায়বসি কাঙলূপ ৩৬না পূন্না খুন্দাবা লমনি। কাঙলূপ ৩৬ অসিনা মণিপুর ঙাক্তুনা লাকখিবনি। মণিপুরসি মিনি ইন্দিয়াগুম্বনি। ঐখোয়না অহানবদা ইন্দিয়া মচানি হায়বা খনগদবনি। অদুগা ঐখোয় মণিপুরী মচানি হায়বসিসু কাওরোইদবনি। অদুবু নুংঙাইতবা হায়বা অমা তারগদি ঐখোয় মণিপুরী মচানি হায়বসি হৌজিক্তি কনামত্তনা হায়নিংদে। মৈতৈসু মণিপুরীনি হায়নিংদে, নাগাসু, কুকিসু কনামত্তনা মণিপুরী মচানি হায়নিংদে। অদুবু ঐখোয় মণিপুরী মচানি, ইন্দিয়া মচানি হায়বসি খন্দ্রগদি কৈদৌঙেদসু চাওখৎপা ঙম্লোই।

সিঙ্গাপোরগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা পার কেপিটা ইনকম খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক অসি সিঙ্গাপোরনা ওইরি। মণিপুরগী ভেল্লি এরিয়াদগীসু খরা পীকচবা লৈবাক অদু কাঙলূপ ৪না খুন্দাবা লমনি। মখোয় ৪মক সিঙ্গাপোরনি হায়না উহনবা ঙম্বদগী সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা পার কেপিটা ইনকম খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক ওইবা ঙম্লিবনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা কাঙলূপ ৩৬ অসি হ্যুমেন রিসোর্সতা করি ৱাৎরি। ঐখোয় অমত্তা ওইনা পূন্না মণিপুরবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎমিন্নরগা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইমিন্নসি। সেনাপতি চাওখৎতনা, মাও চাওখৎতনা মণিপুর চাওখৎপা য়ারোই। ইম্ফাল খক্তা চাওখৎলগা মণিপুর চাওখৎলে হায়বা য়ারোই। চপ মান্নানা চাওখৎমিন্নরবা মতমদতা মণিপুর চাওখৎমিন্নগদৌরিবনি।

এন পি ওনা পীরকপা মেমোরেন্দম অমগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মেদিকেল কলেজ অমা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা লিংবা হায়বসি গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা মেদিকেল কোলেজ লিংবা হায়বা অমা লৈবনিনা মতাং হেক চারকপদা ষ্টেট কেবিনেটতা পুখৎলগা ৱা খন্নবা হৌজরগে। সিৱরেজ সিষ্টেম ফংগৎহন্নবগী মতাংদা সি এমনা হায়খি, দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা পি ঐচ ই দি পায়বনিনা মহাক্না প্রোজেক্ট অমা থুনা শাহনবীরো। শেল পীজরগে। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস মফম অমদা হোংদোকখিবগী ৱাফম অদু ময়াম পূন্না তান্নরগা কদায়ৱাইদা হোংদোকসিগে হায়বদু লেপথোক্লগা অদুম শীন্নবা য়াগনি। বরাক ফেষ্টিভেল সাইট শেমগৎনবগী মতাংদা পল্লদুনা হায়, মফম অদু মহাক চংলুরে। অদুক্কী মতিক ফজে। বরাক তুরেলগী ময়াদু টুরিজমগী শরুক অমা ওইরবনিনা দিপার্টমেন্টকা তান্নরগা মীয়ামগা পূনশিন্নদুনা করম্বা মওংদা শেমগৎসিগে হায়বদু খন্নরসি।

## কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** হয়েং অয়ুক পুং ৫দগী নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ ফাওবা মণিপুরগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫মক্তা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। কার্ফিয়ু মতম অসিগী মনুংদা মীপূম খূদিংমক য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈনবা খঙহল্লক্লি। লাইনিং–লাইশোনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী ওইনদি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদগী অয়াবা লৌগদবনি। কার্ফিয়ু কোমথোক্লিঙৈ মনুংদসু মীওই ৫দগী হেন্না পূনবা য়ারোই। মী শিগদবা খূৎশু–খূৎলায় পুদুনা চৎপা য়ারোই হায়রি।

## ইন্টরনেটকী অথিংবা

**ইম্ফাল এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫দা মোবাইল ইন্টরনেট। মোবাইল দাটা সার্ভিসতা থম্বা অথিংবা এপ্রিল ১২গী নুংথিল পুং ২ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি (হোম) এন অশোকুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়রি।

## জেলদা থাজিনখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নুপী মচা অমগী ইকাই খুম্নবা মাঙহনবীরবা মতুংদা হাৎলগা হুন্দোল্লক্লগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমা জেলদা থাজিনখ্রে। অকাম্পাৎতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চহী ৮ শুবতা ঙাইহিরবী নুপীমচা অমা এপ্রিল ৬তা থিবা খঙখিদ্রবা মতুংদা শিংজমৈ থোং মনাক্তা শিনা ফংখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মোরে খুন্নৌ লৈকায়দগী লাইশ্রম লানঙম্বা(২৮)বু ঙসি স্পেসিয়েল জজ পোক্সো ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখি। পুলিসকী মায়কৈদগী নুমিৎ ১৫ নি জুদিসিয়েল কষ্টদি পীবীনবা হায়জরকখি। মদুদা কোর্টনা অয়াবা পীখি হায়রি।

## নোংমৈ কাপ্পখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা কংলাতোংবীদা লৈবা মন্দির মনাক্তা খূৎলায় পায়বা কুকি লালহৌবনি চিংনবশিংনা মায়কৈ ৩দগী চঙশিল্লক্তুনা মফম অদুৱাইদা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লকখ্রে হায়রি। কংলাতোংবী থোং লাম্হোল্লগা সি আর পি এফ য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা লৈরিবনি। অদুবু মখোয় লৈনা লৈনা মফম অদুদা খূৎলায় পায়বা কুকি লালহৌবনিচিংনবশিংনা মফম অসিদা মতৌ করম্না মায়কৈ ৩দগী চঙশিল্লক্তুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনো হায়না মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা হংনরক্লি। মায়কৈ ৩দগী কাপশিল্লকপা অদুদা মফম অদুদা লৈরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা হন্দুনা চাওরাক্লা পুং অমা মখায় রোম কাপ্পখি হায়রি। থৌদোক অদুদা অশোক–অপনগী পাউ লৈতে।

## মপাল্লমগী পাউ

### হোর্মজতা ঈরান্না জহাজশিংদগী টেক্স লৌবগী মতাংদা ট্রম্পনা ৱার্নিং পীখ্রে

**টেহরান এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ষ্ট্রেট ওফ হোর্মজ ফাওরগা চৎলিবা জহাজশিংদগী টেক্স লৌদুনা সিজফয়ারগী কাঙলোন থুগায়রে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা ট্রম্পনা হায়খি, য়ান্নখিবা ৱাফমগী ৱাংমদা ইরান্না ষ্ট্রেট ওফ হোর্মজ ফাওদুনা চৎলিবা জহাজশিংদগী টেক্স লৌদুনা লৈরে। নাকল অনী সিজফয়ার লাউথোক্লখ্রবা মতুংদা অখন্নবা জহাজ খরা খক্তমক ঈশিং লম্বী অসিদা চৎহল্লি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোল্লরকখ্রবা মতুংদা ট্রম্পকী ৱার্নিং অসি পীরকপনি। সিজফয়ার লাউথোক্লখ্রবসু নাকল অনীমক্তা মপুং ফানা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদ্রি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। মমাঙদা ট্রম্পনা ঈশিং লম্বী অসিদা পেট্রোল্লিয়ম প্রদক্ট অমদি এল পি জি হোন্দোক হোঞ্জিন তৌরিবা জহাজশিংদগী টেক্স লৌবগী ৱাফম পুখৎখি। ইরানগী ওইনসু ঈশিং লম্বী অসিদা চৎলিবা জহাজ খূদিংমক্তগী টেক্স লৌবগী ৱাফম পুখৎলকখি। ইরানগী মখূৎতা ন্যুক্লিয়র ৱেপন অমত্তা লৈহন্দবগা লোয়ননা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মজতা থাউ হোনবা জহাজশিং অথিংবা লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হায়বসিনা য়ু এসকী খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং হায়রি।

### ইজরেলনা সেন্ট্রেল বৈরুটতা চথবা এটেক্তা মীওই ১৮২ শিরে, কয়া শোক্লে

**বৈরুট এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ইজরেলনা মী কুংনা তাবা সেন্ট্রেল বৈরুটকী কর্মসিয়েল অমসুং রেসিদেন্সিয়েল এরিয়াশিংদা চথবা এটেক্তা মীওই ১৮২ শিরে, অমসুং মীওই চা কয়া অশোক–অপন নংলে। য়ু এস অমদি ইজরেলনা ইরানগা শোক্লরিবা লান লেপ্পবগী সিজফয়ার লাউথোকখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা তুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়, লেবানিজ মিলিটেন্ট গ্রুপ হেজবুল্লাহ গ্রুপনা মরম ওইরগা সিজফয়ার লাউথোক্লবদা লেবনন্দ য়াওদে। হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা সিজফয়ার অসি ইরান্না শৌগৎপা হেজবুল্লাহগী মফমদদি চৎনদে। ইজরেলগী মিলিটরিনা মিনিট ১০গী মনুংদা বৈরুট, খা থংবা লেবানন্দ অমদি ইষ্টর্ন বেকা ভেল্লিদা লৈবা হেজবুল্লাহগী মরু ওইবা মফম ১০০ রোমদা মতম অমুক্তদা অকনবা মওংদা এটেক চথুরকখিবনি। লালনা মরম ওইরগা ময়ুম–মকৈ লৈত্রবা মীওইশিং চঙজফম লৌরিবা মফমশিংদগী অমম্বা মৈখু মপৈ কারকপা উখি। এটেক অদু চথুখ্রবা মতুংদা এম্বুলেন্স অমদি তোঙান তোঙানবা গাড়ীশিংদা অশিবা হকচাং হোন্দোকপা উন্নখি।

## কংলাতোংবীদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ১ শোক্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কংলাতোংবীদা মণিপুর পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অমা শোক্লে। শোক্লে মীওই অদুগী মমিং লেনখোগিন টুবোই কৌই। মহাক কাংপোকপী মিসন হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।

হিরম অসিগী মতাংদা পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এপ্রিল ৮গী নুমিদাং পুং ৯ঃ৩০ রোম তাবদা কাংপোকপী লোমদগী মীওই ৮ তোংবা চেব্রোলেট ক্রুজ অমা সেকমাই লোমদগী থৌরকপা অল্টো কার অমা কংলাতোংবী থোং মনাক্তা থুংলখি। ক্রুজ অদু নালাদা তাশিন্দুনা এক্সিদেন্ট থোকপদগী কংলাতোংবী হিন্দি হায়স্কুল মনাক্তা দ্যুতি তৌবা পুলিস পার্সনেলশিংনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা য়েংখি। মতম অদুদা অলটো কার থৌরকপা মীওই অদু খোঙজেল য়াংনা থৌখিরমখি। পুলিসনা খাম্নবা কয়ারক হায়রবসু তাশিন্নদনা মথৌ তৌরিবা সেক্যুরিতি পার্সনেলশিংদা থোমজিনগে তৌরম্লগা কন্না থৌখি।

সেক্যুরিতি পার্সনেলশিংনা গাড়ী অদুগী টয়ার তম্না নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপখি। অদুবু গাড়ী অদু খামদনা মখা তানা থৌখি। ঙাইহাক লৈরগা গাড়ী অদুবু থৌরিবা মীওই অদু নোংমৈ পানবদগী শোক্লে খঙলকখি। ক্রুজ থৌরকপা জানগিনগেন খোঙসাই (২১) কৌবা মীওই অদুদি সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নরগা এফ আই আর অমা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌরে। চীংননিংঙাই ওইবা থৌওং চথুরকপা অমসুং মথৌ তৌরিবা পুলিসশিংদা খূদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াবা মরমনা তঙাইফদনা নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা মীয়ামবু লান্না লমজিংবা য়াবা মওংদা অরানবা পাউ শন্দোক্লোইদবনি হায়না পুলিসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোতুনা এন ঐচ–টুদা সটদাউন তৌগনি হায়না লাউথোরকখিবগা মরী লৈননা মণিপুর পুলিসনা ৱারোল অসি মীয়ামদা ফোঙদোরকপনি। অমরোমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খূদোংথিনিংঙাই ওইনা হায়না চীংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মখা তানা থি–হুম্বগী থবক চথুরি।

## এপ্রিল ১৩–অথৌবশিংগী নীংশিং খূভমদা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বদা কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** চহী খূদিংগী এপ্রিল ১৩দা পাঙথোকপগুম থাংমৈবন্দগী চৈরাও চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী খূভমদা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লবা কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী ইমুং মনুং অমদি শিল্লি–লাংলিবশিংনা ফোঙদোকখিবদা, হৈকৎ–লৈকৎ তম্বগী থৌরমদা মীয়াম পূন্না শরুক য়ামিন্নসি। কুমজা ১৯৮২দা কোদোম্পোকপীদা পি এল এগা ইন্দিয়ান আর্মিগা শোক্লখিবা লানফমদা লৈখিদ্রবা অথৌবা ৯গী মফমদা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীরক্লে। লানফম অদুদা থৱায় কৎখিবশিংগী মনুংদা মতমদুদা মীয়াম্না শকখঙ–মায়খঙনখিবা ওঝা কুঞ্জবিহারি এলাইজ ওঝা রঘু য়াওখি।অথৌবা অথৌবীশিংগী কথোকপগী মপাউ পুরিবা এপ্রিল ১৩না লাকপদা চহী অসিগী ওইনা শজিবুগী ২৬ নি পানবা এপ্রিল ১৩ নিংথৌকাবা নুমিৎতা থাংমৈবন্দগী চৈরাও চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা অয়ূক পুং ৬তগী নুংথিল পূং ৪ ফাওবা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা ইচে–ইচল, ইমা–ইবেল, ক্লবকী ইচিন–ইনাও অমদি মহৈরোই খ্বাই পূম্নমক্না শরুক য়াবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি। মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদি ত্রোংলাওবীদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদসু অথৌবশিংগী ইমুং মনুংগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

## মফম কয়াদা ত্রোংলাওবী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** থা অসিগী ৭কী অহিং নোংয়াইদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা লৈবা য়ুম অমদা কুকি লালহৌবশিংনা বোম কাপশিন্দুনা পীল্লিবা অঙাং ২ হাৎখিবা অমদি মমাবুনা শাথিনা শোকহনখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা প্রোটেষ্টতা সি আর পি এফনা মীচম ৩ হাৎখিবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নিংঙোম থোংজাও কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম চথুখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা নিংঙোমথোং অপূনবা মৈরা পায়বী লূনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা খুন্দ্রাকপম সোনিয়ানা হায়, অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা লৈঙাক্না অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু। লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা মীহাৎ–মীপুনগী থৌদোক কয়া অসিনা তংদু লৈতনা হিংবা ঙমদ্রিবা অসি লৈঙাক্না য়েংশিনবীয়ু হায়খি।

ত্রোংলাওবীগী থৌদোক অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা, মৈরা এসোসিয়েসন বাশিখোং অমদি বাশিখোং মৈরা নুপী ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম চথুখ্রে। ৱাংঙু লাইফম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ অমদি ক্লবশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

## ত্রোংলাওবীগী থৌদোক জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ননা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** থা অসিগী হৌখিবা তাং ৭তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ত্রোংলাওবীদা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা বোম কাপশিন্দুনা পীল্লিবা অঙাং অনী হাৎখিবা অমদি অপোকপীনা তমথিনা শোকহনখিববু জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন(অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ)না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (এ এম এন)গী জেনরেল সেক্রেটরি পান্টিজাই ন্যুমাইনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা, অসিগুম্বা অঙাংশিংদা হিংশাগী থবকশিং চথুবা অসি ক্রাইম এগেনষ্ট হ্যুমেনিতিনি অমদি মীওইবগী রাইটপু খোঙ্গাওনবনি। নুপী–অঙাংশিংদা অসিগুম্বা হিংশা হিংশা চথুবা অসিনা ষ্টেট অসিদা ফুরুপশিং পুন্না শান্তি ওইনা লৈমিন্নবদা অকায়বা পীগনি। থৌদোক অসি লূম্না লৌদুনা ষ্টেট অমসুং সেন্টর লৈঙাক্না অথুবদা চেন্নবশিং ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। খূদোংথিবা থোকপা য়াবা মফমশিংদা লৈবা ময়ামশিংবু সেক্যুরিতিগী চেকশিন– থৌরাং লৌখৎতুনা ঙাক শেনবীগদবনি। মীয়ামনসু পূক্লিং ফাথবগা লোয়ননা হেন্না পামদবা থৌদোকশিং মখা তানা থোক্তনবা হোৎনবীয়ু। লৈখিদবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু লূপ অসিনা শরুক য়াজরি হায়রি।

## মেগা মরাথোন য়ৈথোক্লেঃ য়ু পি এফ

**ইম্ফাল এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** হৌজিক থোক্লিবা লৈপাক্কী ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), মণিপুরনা লেপ্তনা এঠলেটিক্স এসোসিয়েসন মণিপুরগী খূৎশম্নরগা রন ফোর য়োর নেসন হায়বা পান্দমদা পাঙথোক্তুনা লাকপা ১৪শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর ২০২৬ এপ্রিল ১২ নোংমাইজিং নুমিৎতা তৌগনি তৌরম্বদু মতম খরা য়ৈথোক্লে হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)কী পব্লিসিতি সেক্রেটরি অয়েকপম লোয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।


চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মেগা মরাথোন অসি হৌজিক লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা হেক ফগৎলকপগা অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। লোয়ননা মাঙজৌননা ফোর্ম থাজিল্লকখ্রবশিংনা নৌনা মতম লেপ্পল্লগা শরুক য়াবীনবা শেম শাদুনা লৈবীনবা অমদি ফোর্ম থাজিনবা নংহৌদবা নৎত্রগা লৌহৌদবশিংসু লৈপাক্কী ফিভম অসিনা তংদু লৈতারবা মতমদা ফোর্ম লৌশিনবীদুনা শরুক য়াবা য়ানবগীদমক য়ু পি এফকী মায়কৈদগী লাউথোকচরক্কনি। লোয়ননা লাইবক থীবা থৌদোক অমা ওইরিবা ত্রোংলাওবীগী তমথিরবা থৌদোক অদুবু থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

## থা লৈবাক্তা থিজিল্লুবা নাসাগী আর্টেমিস–২ মালেমদা হয়েং থুংলগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০(ৱায়েল কাতি) ঃ** থা লৈবাক্কী মরমদা থিজিল্লুবা নাসাগী আর্টেমিস–২ মালেমদা হয়েং থুংলরগনি।

সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্ম ‘এক্স’তা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা নাসানা হায়, থা লৈবাক্কী অকোয়বদা পাইদুনা থিজিন–হুমজিল্লুবা স্পেসক্রাফ্ট অদু ইষ্টর্ন টাইমদা হয়েং নুমিদাং পুং ৮ তাবদা পেসিফিক ওসিনদা থুংলগনি। খোঙচৎ অদুদা য়াওরুবা এষ্ট্রোনোথশিং তরাম্না ওক্লবা শেম শাবগী থবক পায়খৎপা লোইরে।

চহী ৫০গী মতুংদা থা লৈবাক্কী মরমদা কুপ্না থিজিন্নবা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মরমনা নাসাগী মিসন অসিদা মালেমগী মীয়াম্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙনরকখিবনি। ঙসি ফাওবদা মীওইবনা চৎপা ঙমদ্রিবা খ্বাইদগী থাপ্পা মফমদা চৎতুনা হিরম কয়াদা থিজিন–হুমজিনবগী থবক পায়খৎখি। মিসন অদুদা য়াওখিবা ক্র্যু মেম্বর ৪, রিট ৱিসমেন, ভিক্টর গ্লোভর, খৃষ্টিনা কোচ অমসুং জেরিমি হেনসেমনা মালেমদগী মাইল



২,৪৮,৬৫৫ লাপ্না চৎতুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখি।

মমাঙদা এপোল্লো–১৩না চৎখিবা খোঙচৎ অদুদগী হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা হেন্না লাপ্না চৎতুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি। নুমিৎ তরানিগী ওইবা খোঙচৎ অদুদা এষ্ট্রোনোথশিং তোঙবা স্পেস লোঞ্চ সিষ্টেম রোকেট অমদি ওরিয়েন্ট স্পেসক্রাফ্ট কয়া স্পেসতা কয়াম কুইনা পাইদুনা লৈবা ঙমগদগে হায়বগী মতাংদসু কুপ্না থিজিনখি। মতুং তারকপা খোঙচৎশিংদা কান্নগদবা ইনফোর্মেসন কয়াসু খোমজিনবা ঙমখি।

নাসাগী এক্সপ্লোরেসন সিষ্টেমস দিভলপমেন্ট মিসন দাইরেক্টোরেটকী এসোসিয়েট এদমিনিষ্ট্রেটর ডাক্টর লোরি গ্লেসনা হায়খি, থা লৈবাক য়াওনা স্পেসকী মরমদা তোঙান তোঙানবা থিজিন–হুমজিনবগী খোঙচৎ অমা চৎনবা থৌরাং তৌবা হৌরে। মীওইবনা থা লৈবাক্তা মতম শাংনা লৈবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা অহানবা খোঙথাং ওইনা হন্দক্কী খোঙচৎ অদু চৎখিবনি ফোঙদোকখিবনি।

স্পেসতা লৈদুনা থাগী অকোয়বদা য়াম্না নক্না পাইরুরবা মতুংদা আর্টেমিস–২গী এষ্ট্রোনোথশিং ময়ূম–মকৈ পাংবা হৌরক্লে। এপ্রিল ৭তা স্পেসশিপ অসিনা থা লৈবাক্কী গেভিটেস্নেল ফোর্স লাম্হোল্লগা থাগী লৈমায়দা লৈরিবশিংগী মরমদা কুপ্না থিজিনখি। মাঙজৌননা লৌখৎখিবা থৌরাংদা করিগুম্বা অশোয়বা অমত্তা য়াওদবা থোক্লগাদি ইন্টরনেস্নেল ষ্টেন্দার্দ টাইমদা হয়েং অয়ূক্কী পুং ৫ঃ৩৭ তাবদা আর্টেমিস–২ স্পেসক্রাফ্ট অদু পেসিফিক ওসিনদা তাশিনগনি। নাসাগী এষ্ট্রোনোথ ৪ অদু কুমজা ২০২৩গী এপ্রিল থাদা তোঙান তোঙানবা এষ্ট্রোনোথশিংগী মরক্তগী খনগৎলগা চহী ৩ চুপ্না ত্রেনিং পীদুনা লাকখিবনি হায়রি।

## বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক মখা শমথহল্লগদি মণিপুর পুমচাই–চাইরগনিঃ অনন্দ

**ইম্ফাল এপ্রিল ১০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর অমসুং সেন্টরদা বি জে পি অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লৈঙাক হায়বদি এন দি এনা মখা অসুম শমথদুনা লৈরগদি



মণিপুর পুমচাই চাইরগনি। মৈতৈ মুৎখ্রগনি হায়না এক্স এম এল এ, আর কে অনন্দনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা হাৎতোক্লদুনা অমসুং অশোক–অপন য়াওনদুনা অদুম লৈরসনু হায়বগী মওংদা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনদে। এন দি এদা য়াওরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা ফম্মিন্নদুনা ষ্টেট অসিগী ঈরাং মতম চানা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরগী থাক্তা ৱারোইশিন পুরক্কে হায়রদি নহান্না ঈরাং লোইশিনবা য়ারবনি। পূম্নমক অসিগী তেকচাক সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ওইফম থোকই। ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা লৈঙাক পায়মিন্নবদা য়াওরিবা এন দি এগী পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্কী চাওরবা থৌদাং লৈ। অদুবু মখোয়না লান অসি চপ চানা লোইশিনবা পামদে।

মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা মীয়ামগী খূৎশম্নরগা মণিপুরদা মীচম মীয়াম হাৎতনবা, আই দি পিশিং মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনবা ঙম্নবা, ঈং তপ্পা পুরক্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এ মীহুৎশিংনা মণিপুর কনবীয়ু। ঙম্লোইদবা ওইরগনা খূদক্তা রিজাইন তৌবীয়ু। ঙাইহাক লৈতনা ঈরাং থোক্লিবসিগী য়েংলগা ‘সু’ হন্দোক্তুনা মিলিটরি ক্রেকদাউন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## হয়েংগী নোংদম

১১।০৪। ২০২৬

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ – অনৌবা থবক হৌবা য়াবা নুমিৎনি। ইমুং মনুং চহী লাংদনবা হোৎনৌ।

বৃষ –শেল থুমগী ফিভম ফগৎচরগনি। নুংঙাইবা পাউসু তাবা ফংগনি। মরুপ মপাং লোইনবা য়াগনি।

মিথুন– মীগা উন্নদুনা ৱারী–ৱাতাই শান্নবা, থবক্কী মরমদা ৱা খন্নবা মায় পাক্কনি।

কর্কট – থবক য়ামগদৌরি, কোক শাগনি। তৌগদবা অদুতং তৌ। চাবা তূমদবা লোয়নগনি।

সিংহ– থবক তৌবদা মীনা শকখঙবীবা, থাগৎপীবা লৈগনি। ৱাখল থাদরগা থবক তৌবা য়াগনি।

কন্যা– থবক তৌবদা পাঙ্গল থোক্তবা নুমিৎ ওইগনি। ৱারেপ লৌবা, থবক তৌবদা য়াম্না চেকশিঙ্বা ফৈ।

তুলা– মরুপ মপাং শাগৈ–নাতৈগী মরী ফগৎচগনি। ময়াম পূন্না থবক তৌমিন্নবগী অফবসু নুমিৎসু ওই।

বৃশ্চিক–থাজদবা মওংদা শীংনবা কয়ামরুম লাক্কদৌরি। ময়াম অদু লাকশিন্নবা হোৎনজৌ।

ধনু– লম–তু চৎপা নৎত্রগা লম–তু চৎননবগী থৌরাং তৌবা লৈগনি। থবক্কী মরমদা তমশিল্লু।

মকর– তুংলমচৎতা মায় পাক্লবা মীৎয়েং থল্লগা থবক তৌ। তৌগে নিংবা থবক মায় পাক্কনি।

কুম্ভ– অনৌবা থবক্কী খূদোংচাবা লাক্কনি। থেংনগদবা পোৎলূমশিং অদুগীদমক থৌরাং তৌ।

মীন – পূক্লিং নুংশিবা, ৱাখল নুংঙাইতবা পীরি। ঈংনা চিক্না লৈননবা হোৎনজৌ।

# এদিটোরিয়েল

ইম্ফাল, শজিবুগী ২৩ নি পানবা, ইরাই, এপ্রিল ১০,২০২৬ ইং

## প্রাইম মিনিষ্টরনা তুমিন্না লৈশিনবা

### মীয়ামদা অচূম্বা ৱায়েল ফংহন্দ্রবদি ঈরাং অদুম লৈখিগনি

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি অমসুং মৈতৈগী মরক্তা কাঙলূপকী ওইবা ঈরাং থোকখি। কাঙলূপকী ঈরাং হায়বসিমক্তবু নুপী, অঙাং, অহল হায়বা অমা য়েংনদে। অফং–অফংবা হাৎনবা হায়বসি কঙলূপকী ঈরাংগী মচৎ অমনি। অদুবু মীনুংশি লৈবা মীওই কয়াদি অৱা–অনা তাবশিং কন্ননবা হোৎনবা য়াওদবসু নত্তে। অসুন্না ঈরাং থোকখ্রবা মতুং ফোঙ– ফোঙ শারিঙৈদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোংপোক সেকমাই মায়কৈদা কুকি নুপী ২ ফি থোংহন্দনা পুবগী ভিদি ও মতেক অমা সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখি। মতম অদুদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর তুমিন্না লৈখিদে। অদুগুম্বা থৌদোক অদুনা লৈবাক অসিগী ইকাই খূন্নবা মাঙহল্লে হায়না য়ান্না কন্না পেন্দবা ৱাফম ফোঙদোরকখি। অদুবু কুমজা ২০২৪ গী নবেম্বর ১১দা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বোরোবেক্রাদা মারগী লালহৌবা কাঙবু অমনা নমদুনা চঙশিল্লক্লগা নুপী ৩ অমসুং অঙাং ৩পুন্না মীওই ৬ ফারগা পুখি। মখোয় ৬ অদু য়ান্না তমথিনা ওৎলবা তুংদা হাৎতোল্লগা বরাক তুরেলদা থাদরমখি। মীয়ান্না অশোয়–অঙাম য়াওহন্দনবা থাদোকপীরক্লবা আপিল পূন্নমক মনাদা হাপখিদে। কায়নথংদা য়ান্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা অশিবা হকচাং ফংবদগী মণিপুরগী মীয়াম শাখিনা নিংবা কায়নখি। অদুবু লাইবক থীবদি নুপী অঙাং হাৎখিবগী থৌদোক অদু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা নুংঙাইতবা মচেৎ অমত্তা ফোঙদোকপা ৱাফম পাউচেদা থোক্লকখিদে। মসিগী মতুং চহী অসিগী জনুৱারী ২৬তা ময়াংলম্বম রিশিকান্তা কৌবা মৈতৈ অমা মহাক্কী নুংশিনবীগী ময়ুমদগী ফারবা তুংদা তমথিনা ওৎলগা হাৎতোকখিবগী থৌদোক অমসু থোকখি। মতম অদুদসু সেন্টরগী লুচিংবা অমত্তনা কন্দেম তৌরকখিদে। নখোয় হেনমল্লে হায়বা ৱাহৈ ফাওবা হায়রকখিদে। অসুন্না সেন্টরনা করিমত্তা হায়রক্তবনা মরম ওইরগা হন্দক্তা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা শকখঙদবা মীওই খরনা মতিক ময়াই চেল্লবা রোকেট অমা য়ূমদা কাপশিল্লকখি। অনকপা মফমদগী কাপ্লকপা বোম অদুনা য়ূম অদুগী মনুংদা তারগা পোকখায়খি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা তুমদুনা লৈজবা চহী য়ান্না নৌরিবা মচিন– মৌপ্পা পূন্না শিখি। অদুগা মখোয় অনীগী মমানা ফিভম লূনা শোকখি। অঙাং ২বু মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদনা হাৎতোকপীখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মণিপুরগী মীয়াম পূন্নমক শাখিনা নুংঙাইনদ্রে। লূপ কয়ানা, লন্নাই মীওই কয়ানা, লো মেকর কয়ানা অমসুং চীফ মিনিষ্টর মশামক্না কন্দেম তৌবা ৱাফম থাদোক্লরকখি। অদুবু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদি ৱা মচেৎ অমত্তা হায়রকখিদে। মখোয় অনীমক বেঙ্গলগী, অসামগী ইলেক্সনগী থবক য়ান্না চিল্লি। মণিপুরগী ৱাগা মখোয়গী মনাদা হাপ্পা শংদে। মদুনা মরম ওইরগা অৱাবা, নুংঙাইতবা ফোঙননবগী মতম লৈখিদবননি।

লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু নুপীনি। মসিগীসু মথক্তা ইন্দিয়া পূম্বগী মমানি। মশুগুম্লবা তাইবঙপাল হায়বসি করিনো খঙদ্রিবা পীক্লিবা অঙাং ২ হাৎখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাফম মচেৎ অমফাওবা ফোঙদোক্তবসিবু করিগীনো? মমা ওইদ্রবরা? ষ্টেট অসিগী গভর্নরসু ৱাফম অমত্তা হায়দে। মসিমনা তাল্লিবদি ঐখোয়সে হাৎপা য়াবা মীওই ওইরব্রা? ঐখোয় হাৎলিবা কাঙবু অদু চৈরাক অমফাওবা ফংদবা কাঙবু ওইব্রা? মসিগী পাউখুম মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা পীফম থোকই। থৌদোক অদু থোকখিবা নুমিৎ ৩ শুখ্রে। গভর্নমেন্টতি ঈরাং লাকশিন্নবনি হায়দুনা কার্ফিয়ু থমজিল্লি। মসিগীসু মথক্তা দাতা ইন্টরনেট সার্ভিস থিংজিল্লগা থল্লি। অমরোমদনা মীয়ান্না লৈঙাক্লা থল্লিবা কার্ফিয়ু থুগায়রগা রেল্লি চৎলি, প্রোটেষ্ট তৌই। শাখিনা চরাংনরবা খূন্নাই অমা ওইরগা লৈরি। মসিগী হৌরকফমদি লৈঙাক্কীনি। মরমদি মীয়ামগী পুন্সি, লন–থুম ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা গভর্নমেন্টনা মহাক্কী থৌদাং অদু পাঙথোকপা ঙমখিদবদগীনি। মীয়ামগী পুন্সি ঙাক্ননবা লৈরিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা উচুক তৌনা য়ুংলগা লৈরগা মাগী নাতোন শুমাঙদা মীচম হাৎলকপদা শাওরোইদবা মীসি কনা লৈবগে? শোয়দনা শাওরক্কনি, মথোং হুক্তবা থবক ময়াম অমা তৌরক্কনি হায়বসি লৈঙাক্লা করিমত্তা খঙখিদব্রা? থৌদোক অমা থোকখ্রবা তুংদা মদুগা মরী লৈননা পামদবা থৌদোক খরা থোক্লক্কদবদু কমদৌনা লাকশিনগদগে হায়বদুসু লৈঙাক্লা খঙখিদে। মদুনা মরম ওইরগা চঙ চঙ লাওবা নহা ৩ সি আর পি এফনা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎহনখিবনি। মখোয়না গাড়ী মৈ থারম্বা য়াই, নোংমৈ লাক্কে এইম তৌরম্বসু য়াই। অদুবু মদু তৌদ্রিঙৈদা থিংবা ঙমহৌরগদি মী শিবমক্তি শিরস্লোই। হৌজিক্তি ঐখোয়সে কনাগুম্বা খরনা হাৎপা য়াবা মীওই কাঙবু ওইরে। ঐখোয় হাৎপসি চৈরাক ফংনিংঙাই লৈত্রে। অদুবু গভর্নমেন্ট অসিনা ইশু অসিদসু শিখিবা, শোকখিবা ময়াম অদুগী মরালনি হায়না তুমিন্না লৈশিল্লগদি নখোয়গী নরাল অমা লংশিল্লে হায়বসিসু খঙবা ফৈ। হৌজিক্তি লৈঙাক্কী অশোয়বা উশিল্লুবদা থবক খরদগী অঙাং ২ অদুগী মথক্তা নহা ৩ অমসু হাৎতোকপীখ্রে। অদুগা অঙাং ২ অদুগীনা এক্স– গ্রেসিয়া পীগনি হায়খ্রে। অঙাং হাৎপগী নুংঙাইতবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লুবা নহা ৩ অদু হাৎখ্রবা তুংদা এক্স– গ্রেসিয়াসু লাওথোকপীদ্রে। মসিনা উৎলিবদি ঐখোয়সি প্রোটেষ্ট অমত্তা তৌবা য়াদবা কাঙবু ওইরে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি থোকখিবা থৌদোকশিং অসিনা মীয়াম পূন্নমক শাওরে। মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লক্তুনা তংদু লৈতাদবা মফম ওইহল্লে। মসি পূন্নমক অসি লেপহনগে, হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনহনগে হায়বা তারগদি জষ্টিস অমদি পীদবা য়াদে। মখোয় ৫ হাৎখিবদু কনানা কনানো? ঐখোয়সি মীওইবা নৎত্রা? কনাগুম্বনা হেক্তা পঙহাৎতা হাৎপা য়াবা মীরা? হায়বশিংসিগী পাউখুম লৈঙাক্লগা পীফম থোকই। লৈখিদ্রবা নহা ২ অদুদসু এক্স–গ্রেসিয়া পীফম থোকই হায়জনিংই।

## WAYEL SUDOKU

*Puzzle 257*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 3 | 1 | | |
| | | 6 | | | | 4 | | |
| | | 5 | 2 | | | | | |
| 5 | | 2 | | | | | 8 | |
| | | | | | 1 | | | |
| | | | | 9 | | | | |
| | | | | | | | 2 | 6 |
| | | | 8 | | | | 5 | |
| | 9 | | | 4 | | | | |

# নুমিৎ খুদিংগী ভিটামিন ঈ মিলিগ্রাম ৫০ চারবদি চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিংদা ন্যুমোনিয়াগী রিস্ক চাদা ৭২ হন্থরকই

ভিটামিন ঈ য়াওবা চিঞ্জাক চাং নাইনা চারবদি অহল ওইরক্লগা ন্যুমোনিয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থরকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। নুমিৎ খুদিংগী ভিটামিন ঈ মিলিগ্রাম ৫০ চারবদি চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিংদা ন্যুমোনিয়াগী রিস্ক চাদা ৭২ রোম হন্থরকই হায়না 'ক্লিনিকেল ইন্টরভেন্সন ইন এজিং' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ফিনলেন্দা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ হেলসিনকিগী হেরি হেমিলানা ভিটামিন ঈ অমসুং কম্যুনিটি এক্কাইর্দ ন্যুমোনিয়াগী মরক্তা লৈনবা মরী কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। মশাগী চহী ৫০দগীনা ৬৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মৈখু শিজিন্নবা মীওইশিং য়াওনা ফিন্দলেন্দগী মীওই খরদা চথখিবা ষ্টদি অমগী দতা কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। মশাগী চহী ২১ হেল্লবা মতুংদা মৈখু শিজিন্নবা মীওইশিংদদি ভিটামিন ঈনা ন্যুমোনিয়াগী রিস্ক হন্থহনবা ঙম্মী। অদুবু য়াম্না নহা ওইনা মৈখু শিজিন্নবা মীওইশিংদদি থোইদোক্লা কান্নবা ফংদে হায়রি। মৈখু শিজিন্নরল্লগা হৈনবী অসি থাদোকখ্রবা মীওইশিংদসু ভিটামিন ঈনা কান্নবা পীবগী চাং ৱাংই।

ন্যুমোনিয়া হায়বসি নিংশা শ্বর হোবগী মরীদা ইনফেক্সন তৌবগী লায়না মখল অমনি। লায়না অসি ওইহল্লকপগী তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈরবসু ক্রোনিক ওবষ্ট্রেক্টিভ পলমোনরি দিজিজ (সি ও পি দি) অমসুং অজমা নারবা মীওই খুদিংমক ন্যুমোনিয়াগী রিস্ক ৱাংই। চহী মতাং খেন্নবা অমসুং হকচাংগী ফিভম খেন্নবগী মতুং ইন্না ন্যুমোনিয়াগী লাইওংসু মান্নদে। মরুওইবা লাইওংশিংদি লোক খুবা (শংবান্নবা নত্রগা হঙ্গামপাল মচুগী লোক য়াওরকপা), লাইহৌ হৌবা, চনিং তানা নিংশা শ্বর হোনবা ঙমদবা, থবাক্তা মচিন তুম্বা অমনা থিনবদৌনা চৈনাখোল ফাওবা, কোক চিকপা, কা হেন্না হুমাং থোকপা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, হকচাং চোকথবা অমসুং ৱাখল থোক্তবা অসিনচিংবনি।

বেক্টিরিয়েল ন্যুমোনিয়া ওইরবদি ফারেনহাইট দিগ্রি ১০৫ য়ৌনা হকচাং শাগৎলকপগা লোয়ননা কা হেন্না হুমাং থোরকপা য়াই। নিংশা শ্বর থবেৎ–থবেৎ হোনবগা লোয়ননা মিহুল চোংবগী চাং কনখৎলকপা য়াই। চনিং তানা নিংশা শ্বর হোন্দ্রবনিনা ঈদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং ৱাৎপদগী খুজিল অমসুং চিনবাল মচু ওল্লক্তুনা হীগোক মচু চঙলকপা য়াই। ভাইরেল ন্যুমোনিয়া ওইরগনা লাইহৌ হৌবা, লোক কংখু–খুবা, কোক চীকপা, মশল থিন্দোকপা অমসুং হকচাং শোন্থরকপা থেংনৈ। পুং ১২ দগীনা পুং ৩৬ ফাওবগী মনুংদা নিংশা শ্বর হোনবা ঙমদবগী চাং হেঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা কংখু খুবসু হেঞ্জিল্লকই। চিনবালসু মচু ওল্লকই। তোঙান তোঙানবা মহীক মতাই মখল কয়ামরুম ন্যুমোনিয়া ওইহল্লকই। লায়না অসি ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংদি বেক্টিরিয়া, ভাইরস, মাইকোপ্লাজমা, ফঞ্জাইনচিংবা ইনফেক্সিয়েল এজেন্টশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা কেমিকেলশিংনি।কনাগুম্বা মীওই অমা ভাইরেল ন্যুমোনিয়া নাবা থোক্লবদি বেক্টিরিয়েল ন্যুমোনিয়াসু নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই। ওইহল্লকপগী মরম খেন্নবগী মতুং ইন্না লায়েংবগী মওংসু খেন্নৈ। মরম অদুনা ন্যুমোনিয়া ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙদোকপা য়াম্নমক তঙাইফদে।

মীপুম খুদিংমক লায়না অসিনা নারকপা য়াই। অদুমওইনমক ন্যুমোনিয়াগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরশিংদি মৈখু শিজিন্নবা, লোক থুংবা, লেরিঞ্জাইটিস অমসুং ইনফ্লুয়েঞ্জাগুম্বা ভাইরেল রেস্পিরেটরি ইনফেক্সন তৌখিবদা ঙাইরিবা মীওইশিং, ষ্ট্রোক দিমেন্সিয়া, পার্কিন্সন'স দিজিজ নত্রগা অতৈ ন্যুরোলোজিকেল দিজিজনা মরম ওইরগা চিঞ্জাক য়োৎপা ঙমদবা মীওইশিং, ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পলমোনরি দিজিজ (সি ও পি দি), ব্রোস্কাইটিস নত্রগা সিষ্টিক ফাইব্রোসিস্কুম্বা ক্রোনিক দিজিজ, লিভর সিরোসিস, দাইবেটিস, ওপরেসন তৌখিবদা ঙাইরিবা অমসুং ওটেশইম্ম্যুন দিসওর্দরনচিংবনি।

পুন্নমক অসি ওইদুনসু নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা ভিটামিন ঈ চারবদি ন্যুমোনিয়াগী রিস্ক হন্থহনবা ঙম্মী। মরুওইবা এটিওক্সিদেন্ট অমা ওইনা মথৌ তৌরিবা ভিটামিন ঈনা হকচাংগী কয়াৎ অয়াম্বা মথৌ নিংথিনা তৌহনবদা মতেং পাংই। ফ্রি রেদিকেলশিংনা থোকহল্লক্কদবা অমাঙ–অতা কয়াসু ঙাকথোকপা ঙম্মী। হার্ট অমদি ঈ উতোংগী লায়নাশি ঙাকথোকপা ঙল্লিবা ভিটামিন ঈগী অতৈ কান্নবশিংদি কোলেষ্টরোলগী খল কায়হন্দবা, ইম্ম্যুন সিষ্টেম কন্নখৎহন্দুনা লায়না কয়া ঙাকথোকপা, উনশা ফজহনবা, শম ফহনবা, হোর্মোনগী খল কায়হন্দবা, মীৎ ফহনবা, মখল কনখৎহনবা, ঈগী ঈচেল ফহনবা অমসুং হকচাং তেকখৎহনবা অসিনচিংবনি।

ভিটামিন ঈনা নিংশিংবগী মতিক ময়াই হেনগৎহনবগা লোয়ননা অলঝিমর'স দিজিজ ঙাকথোকপা ঙম্মী। ভিটামিন ঈ অমসুং ভিটামিন সি পুন্না চামিন্নরবদি দিমেন্সিয়া মখল কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। পুন্নমক অসিগী মথক্তা চাং নাইনা ভিটামিন ঈ চাবা মীওইশিং অহল ওইরক্লগা ন্যুমোনিয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি। মৈখু শিজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপগা লোয়ননা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি ভিটামিন ঈনা হকচাংদা কান্নবা পীবগী চাং হেনগৎলকই।

# করিগীদমক্তা ঐখোয়না লৌফম কনগদৌরিবা–২

মালেমগী ওইনা অঙৈং অশাগী খল কায়রকপগী মতুং ইন্না ভারত্তা ফৌথোক চাথোক্কী লম্বীদা অচৌবা অমাঙবা অহোংবা লৈহন্দুনা লৌমীশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরি হায়বসি অখঙ অহৈ, মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংনা মতম মতমগী ৱারোল পীরি। ঈচাও নত্রগা ঈকংনা লৌবুকসিদা লান্দারি।

মণিপুরদদি লৌ উনরম্বা লৌফম কয়া য়ুম, দুকান, চেক্লোন, থাউগী পম্প, অমদি অতৈ ইন্দষ্ট্রিয়েলগী ওইবা লমদা শীজিন্নথোকপগী অচৌবা ঈহৌ অমা চহী ১০।২০ অসিদা য়ান্না কন্না হৌরকপদগী লৌ উনরম্বা লৌফম কয়া মাঙখ্রে।

ফৌগী পোখোক হায়নিংঙাই লৈতনা হন্থখ্রে হায়না লৌমীশিংগী মরী লৈনবা বোদি কয়ানা লাওরি। অসিগুম্বা খোল্লাও অসিদগী মণিপুর সরকারনা লমদম অসিগী লৌফমশিং অসি কন্ননবা অকনবা খোঙথাং চঙশিল্লকপগা লোয়ননা চৎন–পথাপ শেমখ্রে। মসিমক থবক ওইনা কন্দায়ফাওবা চঙশিনবা ঙল্লবগে হায়বসিগী মীৎয়েংদদি মীয়ান্না ইপেন পেন্নদ্রিবা ৱাকৎ তোয়না তারি। লৈঙাক্কী মায়কৈদসু মীৎ নাকোংশিংনা লৈতবদি নত্তে।

হৌজিক লৈরিবা লৌফমগী মতাংদা মীয়ান্না হংনরক্লিবা ৱাফমদি লমদমসিগী লৌ উনবা লৌফম কয়া অসি করিগীদমক্তা কন্দবা য়াদে হায়বা খোল্লাও অমা লাওনরক্লিবনো হায়বসিনি। মীওইবগী মরু ওইবা হিংননবা চিঞ্জাক অসি চেঙনি। য়ুম পানবা মতমদা চেঙবু লৈরবদি হায়দুনা হোৎননরিবনি। চেঙ লৈত্রবদি ভিক্ষা নীবা হায়দুনা অরৈবদগী থৱায়গীদমক, হিংননবগীদমক চেঙ চারা অমা ফংননবা নীবা তারিবনি। অসুন্না লমদম অসিগী ফৌথোক লৈত্রবদি ভারতকী পোখোক চাথোক্তগী ঐখোয় নীরুবা তাবনি। চেঙ লৈত্রবদা মশক ফজবা কারনা হিংবা য়াবা নত্তে। ভারতকী চেঙ ফংদ্রবা মতমদা ঐখোয় করি চাদুনা লৈগনি? মদুগীদমক্কি ঐখোয়না ঐখোয়গী ফৌথোক চেঙথোক পুথোকচবা ঙন্ননবগীদমক লৌফম কন্দবা য়াদে হায়বা অকনবা মীৎয়েং অমা থন্নবা ৱাখল লাক্লরিবসি।

করিগীদমক্তা লৌফমবু অতোপ্পা লম্বীদা শীজিন্নরক্লিবনো হায়বসিমসু মখা তানা হংনরিবা ৱাফম অমনি। লৌ উববুদি, থাউগী পম্প খিল্লগা, চেক্লোন লিংদুনা চেক পুথোক্তুনা শেল তানবনা শেন্দোং হেন্না ফংই হায়বসিগী মীৎয়েং অদুদনি লৌফমদা মখল মখলগী থবক পায়খৎলক্লিবসি। কনা অমনা মরোই নাকুপ্পী থানখ্রে, কনা অমনা পুখ্রি তৌথোক্তুনা ঙা য়োক্লখ্রে। মসিমসু থৌশিল অমদা শীন্দোক্ত্রবদি, ঙা ঙাক্তা চাবা, মরোই নাকুপ্পী ঙাক্তা চাবা য়াবা নত্তে।

চেক্লোন ঙাক্তা ওন্থোক্লদুনা চেক খক্তনা থাউগী পম্প ঙাক্তা খিন্নদুনা থাউ খক্তনা হিংবা য়াবদি নত্তবনিনা ফৌ পুথোক্লবা চেঙ চাননবা লৌফম কনবা হায়বা ৱাফম অসি লাক্লরিবনি। অদুবু ঐখোয়দা নৌহৌননা ৱাহং অমা অমুক লাক্লিবদি–করিগীদমক্তা ঐখোয়না লৌফম কনগদৌরিবনো? লৌফম কনবগী কান্নবনা করিনো মাঙশিল্লক্লিবনা করিনো হায়বা ৱাহং অসিনি।

মণিপুর সরকারনা লৌউ শিংউবদা থাদনবা কায়থোক্লিবা শেলফম অসি অসুক্কী মতিক পীকখ্রে, শুপ্নতগী চাদা মঙা খক্তমক ওইহনবীরি হায়না লৌমীগী মায়কৈদগী পেন্দবগী খোল্লাও লাওনরকপা থেংনখ্রে। মসিমক্না অচূম্বা ওইবা তারবদি মণিপুর সরকারগী বদজেটকী মাইওন অসি খরমখৈদি ওন্থোকপীবা চুল্লবনি। মরমদি লৌ উনবা লৌফমতমক কনবা, লৌ উবা য়ানবদি শেন্বীদ্রবদি থবক অদু কান্নরিব্রা? লৌ উবা হায়বসিদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি লৌবুক্তা থারিবা ফৌ পাম্বী অদু ঈশিং পীবা লেপ্পা য়াদবা, ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা, লৌফমশিংদা ফৌনা মপাল শাৎতুনা মনা তাশিন্দ্রিবা ফাওবদি ঈশিং ৱাৎহনবা য়াদবসিনি। ইপা ইপু, অহল লমননা হায়বীরম্মী 'ফৌ' হায়বসিদি ঈশিং মচানি, মখোং ঈশিং কংহনবা য়াদে। মচিঞ্জাক ৱাৎহনবা য়াদে, নুংশাগী মঙাল ৱাৎহনবা য়াদে' হায়বীরম্মী। তশেংনমক ফৌ পাম্বী মখোয়না ফৌ কিলো অমা লৌমীশিংগী মখুৎতা ফংহন্নবগীদমক ঈশিং লিটর লিশিং মরীদগী মঙা ফাওবা চঙই হায়রি। নুংশাগী মঙাল, নোংমদা পুং তরুক্তগী নিপাল ফাওবা য়ৈবগী মথৌ তাই হায়রি। মচিঞ্জাক্কী মতাংদসু মতজ্জম চানা, তারিক হেন্দোক্ত্রিঙৈদা হার পীবীহৌদ্রবদি কান্নবা লৈতে হায়রি।

মতাং অসিদা লুরিবদি কুমগী নোং লাকপা ঙাইরগা লৌ উবা মণিপুরগুম্বা লমদম অসিদা মতৌ করন্না মায় পাক্লা লৌ উবা য়াগদৌরিবনো হায়বসিনি। কুমগী নোং থেংনা লাক্লবদি লৌ পানবা থেংথরে, কুম কাংলগনা লৌ পান্দ্রে। কুময়াইদা নোং তাদ্রগনা লৌ পুন্নমক লৌবুক ময়াইদা কংলগা শিরে। চঙখিবা শেল পুন্নমক মাঙলে। অদুনদি ঈথৈ লৌখোং অমদি তুরেলগী ঈশিং মরাং চাইনা ফংহন্নবা সরকারগী অচৌবা থৌরাং মায়পাক্ত্রবদি লৌ উবনা শিনফম ওইরবা কয়া হিংখিগদ্রা শিরগদ্রা হায়বা ৱাহং অসি হংনরকপা মতম কুইরবনি।

হৌজিক্কী মতমদা লৌ শঙম অমা উবদা লুপা লিশিং তরামঙাগী মথক্তা চঙলে, ঈশিং চিংলগা লৌ পানবা তারবদি লুপা লিশিং কুন হেন্নসু চঙনরে। অদুগা ফৌথোক্লা শঙমদা পোৎমা চনবা বোরা তরা মরী মঙা থোকপা তারগদি শেল য়াম্না মাঙলে। অসুন্না লৌবদা চহী খুদিংগী শেল মাঙনদুনা লৌ উনরগদি ঐখোয়না লৌফম কনবগী কান্নবদু করিনো, মদুগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? লৌশিংতা খাজনা থিবা, ফুদিংতা মাঙজোং চোংবা হায়বা অহল লমনগী ৱাফম অদু তাদুনা তোক্লনি। লৌ উরগা খরা য়াইফগদ্রা হায়রগা ঐখোয় নোংমা নোংমগী লৈখা তারকপা তারক্লি। মসিগীদমক্তদি লৌফম কল্লুবগী করি কান্নবা লৈরিবনো? লৌ উদবনা ফরে হায়বা ৱাখল ফাওনরকপা মতম কুইনরক্লবনি। লৌমীশিংগী খোল্লাও অসি সরকারনা তাবীদ্রিবসিনা করিগীনো? মসিদি লৈবাক্কী ৱাথোক্লি, মীয়ামগী ৱাকৎনি। সরকারনা য়ান্না লুনা লৌফম থোকই।

–বিজেন্দ্রজিৎ তেলেম

THE RIDJ EDUCATION FOR ALL
REGD.No. IE/2532(CE) OF 2020
RIDJ EDUCTION UCHEKON IMPHAL, MANIPUR
ADMISSION OPENS FOR CLASSES V-XII
BOARDING FACILITIES AVAILABLE
[ COMMENCEMENT OF CLASSES FOR CLASSES 11 AND 12: 20th APRIL MONDAY 2026 ]
RESULT AT THE GLANCE FOR THE HSLC EXAMINATION, 2024-25
BATCH: 1. NO. OF APPEARED STUDENTS - 78 PASSED%: 100%
2. NO. OF STUDENTS PASSED OUT IN FIRST DIVISION: 78
FOR DETAILS PLEASE CONTACT: 7005881627
ADDRESS: KONGBA UCHEKON MATHAK
NEAR SUN LIGHT LIBRARY CLUB


## ওন্নখিবা

ঙরাং এপ্রিল ৯ দা ফোঙবা পাউচে অসিগী লিদ ষ্টোরিগী পাউগী শরুক্তা 'লৈলঙাকসু নুংঙাইবা ফাওই' হায়খিবদু, 'লৈঙাকসু নুংঙাইতবা ফাওই' হায়গদবনি। অদুগা কোকোমি হায়খিবদুসু অমুকো হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

–এদিটর

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-255*



**ACROSS**
7 Portugal's old currency (6)
8 Journal (3)
10 Edible shellfish (6)
12 Time unit (4)
13 Settle (3)
14 Take back (7)
15 Russian wolfhound (6)
17 Dressing gown (4)
18 Ooze (5)
21 Egg-shaped (10)
24 Enjoyed (5)
26 Froth, lather (4)
27 Conflict (6)
28 Energetic enthusiasm (4)
29 Fish's main fin (6)
31 Pious (9)
34 Type of nut (9)
36 Placidly (6)
38 Muslim prayer leader (4)
40 Idea (6)
42 ___ Jones, Welsh singer (4)
43 Piglike tropical animal (5)
44 Shunning contact with others (10)
47 Alcoholic drinks (5)
49 Applications (4)
51 Ill (6)
54 Japanese warrior code (7)
55 ___ and outs (3)
56 Japanese drink (4)
58 Protein substance (6)
59 ___ Reed, late rock star (3)
60 Absolved, excused (6)

**DOWN**
1 Norwegian port (4)
2 Variety of silica (6)
3 Battle (8)
4 Panacea (6)
5 Eccentric (5)
6 Bog fuel (4)
9 Type of biscuit (9)
11 Speak angrily (5)
16 Lubricant (3)
19 Press, TV, etc (5)
20 Hypersensitive (8)
22 Pakistan's chief river (5)
23 Nasal congestion (7)
25 Simple musical instrument (5)
26 Type of yacht (5)
30 Novices (8)
32 Observation post (7)
33 Dense (5)
35 Summarise (3,2)
37 Shade of purple (5)
39 Slogan (5)
41 Type of fungus (9)
45 Crushed flat (8)
46 Piercing tool (3)
48 Piquant (5)
50 Make an error (4,2)
52 Squanders (6)
53 Wind instrument player (5)
54 Financial institution (4)
57 Retained (4)



| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 4 | 9 | 6 | 3 | 1 | 7 | 5 |
| 9 | 7 | 6 | 1 | 5 | 8 | 4 | 3 | 2 |
| 1 | 3 | 5 | 2 | 7 | 4 | 6 | 9 | 8 |
| 5 | 1 | 2 | 4 | 3 | 6 | 7 | 8 | 9 |
| 7 | 4 | 9 | 5 | 8 | 1 | 2 | 6 | 3 |
| 6 | 8 | 3 | 7 | 9 | 2 | 5 | 4 | 1 |
| 4 | 5 | 7 | 3 | 1 | 9 | 8 | 2 | 6 |
| 3 | 6 | 1 | 8 | 2 | 7 | 9 | 5 | 4 |
| 2 | 9 | 8 | 6 | 4 | 5 | 3 | 1 | 7 |

Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733